



১১রক শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

# সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং এন এ পি এস এ খা-ইম্ফাল ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) ইম্ফালনা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথ্তুনা লাকখিবা ১১রক শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচশিংদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা কে সী সী কোংবা অদুগা এন এ পি এস এ খা-ইম্ফালনা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) লংথবাল থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। থা অসিগী ১৮দা সাইক্লোন অমসুং এন এ পি এস এ ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা কে সী সী কোংবা অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস কে সী সী কোংবনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা কে সী সী কোংবনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা রোবর্টসন অমসুং দেবকান্তনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন দেবকান্তনা বোল ৩৬ মায়োক য়াবদা রন ৫৫ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ২০ লোইবদা কে সী সীগী ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৪৫ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা সাইক্লোননা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা তরুন অমসুং রোবিনসননা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা মায়োক্লরিবা বোলরশিংগী এটেক হৈন-শিংনা মায়োক য়াবা ঙমখিবদগী ওভর ১৭.৫ শুরকপদা ৱিকেট ৩ তুরগা টার্গেট রন হেনে দাত্তুনা পূন্না রন ১৪৮ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু সাইক্লোননা ৱিকেট ৭তা লাকচনা থোইখিবনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা সাইক্লোনগী রোবিনসননা তাখি। মহাক্না বোল ৪৫দা রন ৫৭ লৌরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা এন এ পি এস এ অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস এন এ পি এস এনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। অহানবা ইন্নিংসতা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা চাংচৎতা হৈ-শিংনা শান্নবা ঙমখিবদগী ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা পূন্না রন ১৫৪ লৌবা ঙমখি।

এন এ পি এস এনা টার্গেট রন ১৫৫ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেন ওইখিবা সোমোরেন্দ্রোনা বোল ৫৩দা রন ৬৯ লৌদুনা টার্গেট রন য়ৌনবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী অপীবা ওভর ২০ লোইবদা এন এ পি এস এগী ৱিকেট ৭ তুরগা টার্গেট রন ১৫৫ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু এন এ পি এস এনা ৱিকেট ৩দা থোইখিবনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা এন এ পি এস এগী জোনিনা তাখি। মহাক্না ওভর ৪দা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি।



## ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস):** মমাং থাগী ২৯দগী হৌরগা ৩১ ফাওবা নেপালগী কাঠমান্দুদা পাঙথোকখিবা ৯লক শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস ২০২৪দা ইন্দিয়াগী জিট কুনে-দোগী টিমদা শরুক য়াখিবা মণিপুরী মচা ৯ দেল্লীদা লৈবা রোয়ল প্লাজা হোটেলদা ভুষন এন্দ সন্সকী প্রোপ্রাইটর অর্বিন্দ পাচৌরিনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।

এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা গোল্ড মেদলশিং লৌদুনা লৈবাক অসিগী মেদল টেলিগী মফম থাক ৱাংনা পুখৎপা ঙমখিবনি।

## তরাম্না ওকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ৮দগী ১১ ফাওবা হায়দরবাদকী তেলঙ্গনাদা পাঙথোকখিবা ৫রক শুবা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা শরুক য়ারুখিবা পিশুমথোং ওইনাম লৈকাইদগী শান্নরোয় খেলেন থোকচোমনা পূন্না গোল্ড ৩, ব্রোঞ্জ ১ ফংলকপদা য়ুনাইটেদ পাইওনর্স ক্লব পিশুমথোং ওইনাম লৈকাইনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাকপু লৈকাই অসিদা লৈবা ইরৈমা ইমাগী লাইবুংদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

# নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুবা মাষ্টর এথলিটশিং তরাম্না ওকখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ৮দগী হৌরগা ১১ ফাওবা হায়দরবাদকী তেলঙ্গনাদা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৫রক শুবা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা মায় পাক্লা শরুক য়ারুবা লমদম অসিগী মাষ্টর এথলিটশিং মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা মায় পাক্লা শরুক য়ারুরবা মণিপুরগী টিম অদু ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবগা শান্নববু থৱায় য়াওজবা পূক্লিং থৌগৎপা পান্থা মীওই কয়ানা তরাম্না ওকখি।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরদগী পূন্না এথলিট নুপা ২৯ অমসুং নুপী ৪৬না শরুক য়াখি। মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসনগী সেক্রেটরি আর কে চৌরজিৎনা টিম মেনেজর অদুগা কবির হুসেননা এসিষ্টেন্ট টিম মেনেজর ওইদুনা শরুক য়াখিবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদুদা মেদল টেলিদা মণিপুরনা ৪শুবা মফম কনবা ঙমখি। নুপী খত্তগী ওইনা মণিপুরনা ৩শুবা মফমদা লৈখি। অদুগা নুপাগী ওইনা ৫শুবা মফমদা লৈখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরনা পূন্না গোল্ড ৩৯, সিলভর ৩৩ অমদি ব্রোঞ্জ ২৮ পূন্না মেদল ১০০ ফংবা ঙমখি। মণিপুরগী এথলিট এন সুনিতানা চেম্পিয়নশিপ অসিগী তোঙান-তোঙানবা ইভেন্ট ৫দা শরুক য়াবদা মঙামক মেদল লৌবা ঙমদুনা মেদল খ্বাইদগী ফংবা ঙন্থা শান্নরোয় অমসু ওইখি। মহাক্না গোল্ড ৪, সিলভর ১ ফংবা ঙমখি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা শান্নরোয়শিংনা উৎখিবা মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবা অমদি হনবা লৈতবা থৌনাবু এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি রাজকুমার চৌরজিৎনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## বেষ্ট ষ্টেট ফুটবোলগীদমক নোমিনেট তৌরক্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা তোঙান-তোঙানবা কেটগোরিশিংগী মখাদা পীগদৌরিবা এ আই এফ এফ গ্রাসরুট এৱার্দ ২০২৩-২৪গীদমক ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)বু বেষ্ট ষ্টেট ফুটবোল এসোসিএসনগীদমক নোমিনেট তৌরক্লে হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না নোমিনেসন তৌরকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৯ তাবদা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা পাঙথোক্কনি। লোয়ননা থৌরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর সন্তোশ ট্রোফিগী টিমদা অম্ফানা য়ুনিফোর্মশিং লান্থোক্কনি। মরম অদুনা হায়রিবা থৌরম অসিদা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মেম্বরশিং, প্লেয়রশিং, ওফিসলশিং মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়াবীয়ু হায়না অম্ফাগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

# অনীশুবা ফেজগী ট্রায়ল সেলেক্সনদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী লিষ্ট থোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস):** অন্দর-১৩ বোইজ ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪দা শরুক য়ানবগীদমক অম্ফাগী টিম শেম্নবা ট্রায়ল সেলেক্সন অহানবা ফেজগী ওইনা পাঙথোকখ্রবা মতুং অনীশুবা ফেজগী ট্রায়ল সেলেক্সনদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী লিষ্ট থোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অনীশুবা ফেজগী ট্রায়ল সেলেক্সনদা শরুক য়াগদবা অন্দর-১৩গী শান্নরোয়শিং অদুদি এম শকহেনবা, আই বাইদেন, ঐচ মোজেস, এন এরিশ, দব্লিয়ু মুক্রম, দব্লিয়ু তেলহৈবা, পি জিদান, ঐচ মঙ্গোলসনা, কে সন্দিপ, ভিক্টা এন, এম পোইরৈঙানবা, দব্লিয়ু য়ুকি, দব্লিয়ু ফরান, এল রোক্সন, এম দি অসিদ, দব্লিয়ু মেখিন, সী ঐচ রোনাল্ড, এ লনচেনবা, এল হোরবৈ, এম ক্রিটিবাশ, এম রাজু, এ ফোনিক্স, ও ভিক্কি, এন পোইরৈঙানবা, ঐচ চলাম্বা, এন দেলসন, য়াম্বেম অথোইবা, ঐচ লেম্বা, ঈ সুদর্শ, কে জেক্সন, এল সুরজ, রোক্কিসন, এস ঐচ অভিনাশ, ৱাই পোইরৈঙানবা, সী ঐচ অঙাংচা, ঐচ মঙাল, দব্লিয়ু সদানাস, টি ঐচ ৱিলসন, ঐচ লেম্বা, ও চন্দ্রজিৎ, ৱাই অগষ্টিন, ঐচ য়োহেনবা, ৱাই পোনাও, টি ঐচ অলবর্ট, এল বিতম, সলফরোজ ইফম, ৱাই তোনস্না, এস থৌজানবা, ৱাই কেলভিন, কে ঐচ রিটেশ, এম দি জাফির, সী ঐচ মিজবুল, এস সুজিৎ, এন ইরাবত, কে অভিনাশ, কোম্থৌজম রোবিনসন, তোমসনা য়ুম্নাম, এম দি অজিৎ, অরাম্বম বিকাশ, মুতুম অর্মন, এন শিন্থোইবা, সী ঐচ রিশিকান্ত, মঙালসনা মঙাংচা, অচোম ফোনিক্স, হীজম থোইসনা, এন মার্কোপোলো, চোংথাম রোনাল্ড, পালুংবা কেভিন, কে ঐচ বিদ্যাসাগর, কে ঐচ দেনিশ, কামৈ রোবর্টকবুই অমসুং ৱাই লনচেনবনি হায়রি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না কোচিং পাঙথোক্কদবা মতম নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লাউথোরক্কনি হায়রি।

## এস সোমোরজিৎ লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস):** হান্নগী নেসনল ফুটবোল প্লেয়র শৌগাইজম সোমোরজিৎনা খঙহৌদনা ঙরাং মোইরাংখোম শৌগাইজম লৈকাইদা লৈবা মশাগী ময়ূমদা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ৮৭ লোম শুরবা হান্নগী নেসনল প্লেয়র অসিনা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং-মনুংনা তাহৌরিবা অৱাবদা অম্ফানা শরুক য়ারি অমদি লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবগীদমক থৌনীজরি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## দেল্লীনা আইজোল এফ সী থোইখ্রে

**কোলকাটা, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী):** হৌজিক চথরিবা আই লীগকী ওইনা ঙসি দেল্লী অমসুং আইজোল এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা দেল্লীনা আইজোলবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

দেল্লী ফুটবোল ক্লবকী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা সর্গিও বার্গোজা জুনিয়রনা চনখিবনি। আই লীগকী ওইনা হৌজিক-হৌজিক মোহমেদান এস সীনা পোইন্ট ৩১ ফংদুনা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈরি। স্রিনিধি দেকাননা পোইন্ট ২৬ ফংদুনা ২শুবা মফমদা লৈরি।

মমি ৱারী

## থৱান

### ঐগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল



ꯂꯩꯃꯂꯩ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরম্বী **শ্রীমতি সোরোখাইবম ওংবী রতনা দেবী** -না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ১২-০২-২০২৪ ইং, ফাইরেনগী ৩নি পানবা, নিংথৌকাবা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা রামেশ্বরী শ্রীকৃষ্ণ চৈতৈন্য দাসিনি হায়বা নাম ফংজরগা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৭-০২-২০২৪ ইং, ফাইরেনগী ৮নি পানবা থাংজ নুমিত্তা অষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৫-০২-২০২৪ ইং, ফাইরেনগী ১৬নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীহরিগী অগ্রহদা হরি সঙ্কির্ত্তণগা লোয়ননা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমসুং লৈখিদ্রবীগা খঙনা তিন্নবীরম্বা ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা খ্বাই পূম্নমক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবণ তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি। পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রন কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।


*বিনিতগণ ঃ-*

**সোরোখাইবম অরবিন্দ সিংহ (মচানুপা)**

**অমদি ইমুং-মনুং**

HL-P/8576/16 **সগোলবন্দ মোইরাং ময়ুম লৈরক মচিন, ইম্ফাল।।**

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1050**

**Azzopardi, Charles - Carlier, Bruno**

**EU-ch U21 prel Groningen (3), 1975.12.21**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 g6 | 2.d4 Bg7 | 3.Nc3 d6 | 4.f4 c6 | 5.Nf3 Bg4 |
| 6.Be3 Qb6 | 7.Qd2 Bxf3 | 8.gxf3 Nd7 | 9.O-O-O Qa5 | 10.Kb1 b5 |
| 11.e5 d5 | 12.e6 Nb6 | 13.exf7+ Kxf7 | 14.f5 gxf5 | 15.Rg1 b4 |
| 16.Qg2 Bf8 | 17.Ne2 Nc4 | 18.Qg5 Nf6 | 19.Ng3 Rg8 | 20.Qf4 e6 |
| 21.Bxc4 dxc4 | 22.Bc1 Be7 | 23.Qh4 Rab8 | 24.Qh3 Rb6 | 25.Nh5 Nd5 |
| 26.Nf4... | | | | |

**QUESTION :**

**Black to win**

**Puzzle 1049 Solution :**

**32. Rxg7+** The white rook deflects Black's rook away from protecting the square h8. The white rook captures Black's pawn, which was defending Black's pawn. **Rgxg7**

32...Rfxg7 33.Rxh6#

32...Kxg7 33.Qxh6#

32...Kh8 33.Qxh6#

**33. Rxh6+ Kg8 34.Rh8#** Back-rank mate

**1-0**






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com